# লৈবাক্কী লন-থুম মাঙ তাকহনবগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

মীচম মীয়ামদা অৱাবা পীবা মওংদা খোঙজং চঙশিল্লকপগী মতাংদা অকনবা ফীরেপ লৌরদুনা সুপ্রিম কোর্টনা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক্কী লন-থুম মাঙ-তাকহল্লকপা মতমদা চেন্নরিবা পার্টি অমবু হেক্তা মরাল শীবা য়াই। জষ্টিশ জে এস খেহরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, কনাগুম্বা মীওই খরনা অপাম্বা অমা ফংনবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা মীয়ামবু অৱাবা নংহনবা য়ারোই। খোঙজং চঙশিল্লকপদা অমাঙ-অতা থোকখিবা পুম্নমক কনাদা তায়নগদগে হায়বগী মতাংদা কাঙলোন অমা শেম্লগনি।

জষ্টিশ সী নাগাপানসু য়াওবা বেঞ্চ অদুনা হায়খি, অসিগুম্বা মখলগী থৌওং চত্থরকপা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক পায়খৎনবগী মতাংদা গাইদলাইন অমা শেম্লগনি। বি জে পি নৎত্রগা কোংগ্রেস নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমবু হীরম অসিগা মরী লৈননা লন-থুম মাঙ-তাকহনখিবগী মতাংদা মরাল শীবা য়াই।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা পটেল ফুরুপকী কোটা দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা হার্দিক পটেলনা হায়খিবনি মদুদি, করিগুম্বা মহাকপু বেলদা থাদোরকপা তারবদি মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি। অহমেদবাদ ক্রাইম ব্রাঞ্চনা হার্দিক অমদি মহাক্কী খোঙলোয়শিংবু আই পি সীগী সেক্সন ১২৪ (এ) (সিদিসন), সেক্সন ১২১ (এ) (গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লৌতুনবা) অমদি সেক্সন ১২০ (বি) (ক্রিমিনেল কন্সপিরেসি)গী কেস ফাইল তৌখ্রবনি।

পুলিসনা থাঙ্গৎখিবা চার্জসীটনা হায়খিবনি মদুদি, পটেলনা লুচিংদুনা চত্থরকখিবা খোঙজং অদু মাঙজৌননা থৌরাং তৌখিবগী খুদম ফংলে। কন্সটিট্যুসননা য়াদবা মওংদা কোটাগী দিমান্দ ফংনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা অকনবা প্রেসর পীবা ওইনা থৌরাং অদু লৌখৎখিবনি।

হন্দক্তা জাট ফুরুপকী মীওইশিংনা রিজার্ভেসনগী ৱাফমগা মরী লৈননা হরিয়ানাদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। খোঙজং অদুনা ষ্টেট অসিগী ইন্দষ্ট্রিদা লুপা ক্রোর লিশিং কয়ামরুম মাঙ তাকহল্লে অমসুং মদুগীদমক গভর্ণমেন্টনা কমপেন্সেসন পীগদবনি হায়না বিজিনেস এসোসি-এসন অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মরকসিদা, গুজরাট গভর্ণমেন্টনা পটেল ফুরুপকী খোঙজং লুচিংলিবা হার্দিক পটেলগা য়ানবা পুরক্নবগী মতাংদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎলে হায়রি। বি জে পিগী এম পি বিটথাল রদাদিয়ানা ঙসি লাজপোর জেলদা চৎতুনা জেলদা লৈরিবা হার্দিক পটেলগা ৱারী শানরবা মতুংদা হায়খি মদুদি, গভর্ণমেন্টনা পটেল লীদরশিংগী মথক্তা ফাইল তৌরম্বা কেস পুম্নমক ৱিদ্রো তৌবা য়ানা লৈরে।

বিসনগরগী কোর্টতা পুথোরকখিবা হার্দিক পটেলনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়খি মদুদি, পটেল ফুরুপকী ইকাইখুম্ননিংঙাই ওইরবা বিটথাল রদাদিয়ানা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদু মীয়ামগী খুদোংচাগদবা লৈরবদি অয়াবা পীরগনি।

রাদাদিয়া অমদি হার্দিকনা পটেলশিংগী খোঙজং লুচিংলিবা পটিদার অনামট অন্দোলন সমিটি (পি এ এ এস)কী দিমান্দশিং কুপ্না খন্নখি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা রদাদিয়ানা হায়খি, গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর অনন্দিবেন পটেলনা খঙহল্লকপা মতুংইন্না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মহুৎ শীন্দুনা জেলদা চৎলগা হার্দিক পটেলগা ৱারী শানখি অমসুং চত্থরিবা খোঙজং অসি লোইশিনহন্নবগী মতাংদা খন্নখি। এম পি অদুনা হায়খি, করিগুম্বা গভর্ণমেন্ট অমদি খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবদি হার্দিক য়াওনা অতৈ মীওইশিংগী মথক্তা পাল্লম্বা কেস পুম্নমক ৱিদ্রো তৌরগনি।

# রোহিট ভেমুলাগী মনাওনুপাদা থবক পীবীনবা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালদা হায়জখ্রে




ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

হাইদ্রবাদতা মশা মথন্তা শিজখিবা দলিট মহৈরোয় রোহিট ভেমুলাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল উনদুনা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীবীনবা হায়জখ্রে।

দিল্লি গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, রোহিটকী অপোকপীনা চীফ মিনিষ্টরদা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা রোহিটকী মনাওনুপাদা পীবীনবা হায়জরকখি। মখোয়গী ইমুং অদু শেন্থোক লম্বী অমত্তা লৈতবা মরম্না রোহিটকী মনাওনুপাদা গভর্ণমেন্টকী থবক অমা পীবীগদবনি হায়না রোহিটকী অপোকপীনা হায়জখি। হীরম অসিগী মতাংদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাং পুম্নমক লৌখৎকনি হায়না কেজ্রিৱালগী মায়কৈদগী থাজবা পীখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা জন্যুৱারী ১৭তা হাইদ্রবাদ য়ুনিভর্সিটিদা এ বি ভি পিগী লুচিংবা অমগা খৎনা-চৈনরুবগীদমক দলিট মহৈরোয় মরি তাম্থোরকখ্রবা মতুংদা রোহিট ভেমুলা কৌবা দলিট মহৈরোয় অমা মশা মথন্তা শিজখিবনি। থৌদোক অদুগী মতাংদা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

গভর্ণমেন্টনা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অদুগী ইমুংদা মতিক চাবা কমপেন্সেসন পীবগী ৱাফম হৌদোরকপদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা য়াখিদে।

মরকসিদা, ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি অনুরাগ থাকুরনা হায়খ্রে মদুদি, লৈবাক্কী মায়োক্তা স্লোগান লাউখিবা মহৈরোয়শিংগী মীচংদা কোংগ্রেসনা লেপখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। জে এন য়ুদা থোকখিবা ৱাথোক্কী মতাংদা ঙসি লোক সভাদা ৱাফম অসি পুখৎলদুনা অনুরাগ থাকুরনা হায়খি, কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা জে এন য়ুদা চৎতুনা লৈবাক্কী মায়োক্তা স্লোগান লাউখিবা মীওইশিংগা খুৎশম্নখিবা থৌওং অদু তরাইনা লৌফম থোক্তে। রাহুল গান্ধীনা করি মরমগী মহৈরোয়শিং অদুগী মীচংদা লেপখিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা ফোঙদোরক্কদবনি।

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিগী এম পি অসিনা হায়খি, রাহুল গান্ধীনা লৈবাক্কী মীচংদা লেপ্পরা নৎত্রগা মাওইষ্টশিংগী ৱাখল্লোন শৌগৎপ্রা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি। দেমোক্রেসিগী লাইশঙনি হায়নরিবা পার্লিয়ামেন্টতা এটেক চত্থরকখিবা অফজল গুরুগী মীচংদা লৈব্রা নৎত্রগা দেমোক্রেসি ঙাক শেন্নবা লৈরিবা মীয়ামগী মায়কৈদা লেপ্পরা হায়বদুসু খঙহল্লক্কদবনি।

মমাঙদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা জ্যোটিরধিত্যা সিন্দিয়ানা এন দি এ গভর্ণমেন্টপু মরাল শীরদুনা হায়খিবনি মদুদি, বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট অসিনা ইচম চম্বা ৱাফম অমবু অচৌবা ৱাথোক ওইহন্নবা হোৎনরে। লোক সভাদা চত্থখিবা দিবেট অমদা শরুক য়ারদুনা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা মীপুম খুদিংমকপু অখূবা ৱাখল্লোন অমা খলহন্নবা হোৎনরে।

অমরোমদা, মহারাষ্ট্রগী এন্টি নক্সল ওপরেসন্স ৱিংনা হায়খ্রে মদুদি, জে এন য়ুগী ৱাথোক্তা চেন্নবা উমর খলিদনা লেফট ৱিং এক্সট্রিমিষ্টশিংগা অরোনবা মরী থম্নে।

উমর খলিদনা নাগপুরদা চৎতুনা হেম মিস্রা কৌবা মাওইষ্টশিংগা শম্নবা মীওই অমগা লোন্না উনখি হায়নসু মহারাষ্ট্রগী এন্টি নক্সল ওপরেসন্স ৱিংনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমার ফাখ্রবা মতুংদা মফম খঙদনা লোৎলুরবা উমর খলিদনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতা অমুক হল্লকখিবনি। মহাক ঙরাং নুমিদাং পুলিসতা সরেন্দর তৌখি।

# 'আই এস আই এসপু কুপ্না য়েংশিল্লি'

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা আই এস আই এসকী থবক থৌরমশিং কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হরিভাই পার্টিভাই চৌধরিনা ঙসি রাজ্য সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, আই এস আই এসনা লৈবাক অসিগী নহা ওইরিবা মীওই কয়া রিক্রুইট তৌনবা হোৎনরে হায়বা খঙলে। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি ইনিদয়া মচা অমত্তা লুপ অসিদা য়াওবগী রিপোর্ট লৈতে।

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অমসুং পুলিসনা আই এস আই এসকী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়ননা লুপ অসিগী থবক থৌরমশিং কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না রাজ্য সভাগী ৱাহং পাউখুম মতমদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, লুপ অসিদা য়াওনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙনবা ইন্টলিজেন্স অমদি সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা খঙহনবা লৈখ্রে। সাইবর স্পেসতা কুপ্না য়েংশিন্দুনা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী থৌরাং পুম্নমক মাঙজৌননা খঙদোক্নবা হোৎনরি।

অমরোমদা, পথানকোটকী থৌদোক মতুং তারকপদা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালনা পাকিষ্টানগী মহাক্কা ফম মান্নবা লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) নাসির খান জঞ্জুৱাগা উনখিবা লৈতে হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন বিকাস স্বরুপনা হায়খি, অজিট দোবালনা নাসির খান জঞ্জুৱাগা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবা লৈ। অদুবু হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানখিবা লৈতে।

পথানকোটকী থৌদোক মতুং তারকপদা লৈবাক অনীগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরশিং পেরিসতা উনখি হায়বা মিদিয়া রিপোর্ট অমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, পাকিষ্টাননা শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনা পথানকোটকী এয়রবেজদা এটেক চত্থরকখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীগী মরক্তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর থাক্কী মীফম য়ৈথোকখি।



পনবা য়াবদি, জন্যুৱারী থাগী ২ শুবা চয়োলদা দোবালনা জঞ্জুৱাগা পেরিসতা লোন্না উনখি হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। দোবালনা পেরিসতা চৎতুনা ফ্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সোৱা ওলোন্দগা উনখিবা মতমদা জঞ্জুৱাগসু অরোনবা মওংদা ৱারী শানখি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখিবনি।

পথানকোটতা চত্থরকখিবা টেররিষ্ট এটেক অদুগী মতাংদা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম হরিভাই পার্টিভাই চৌধরিনা রাজ্য সভাদা হায়খি মদুদি, পাকিষ্টাননা শৌগৎপা জাইস-ঈ-মহমদকী মিলিটেন্টশিংনা অরোনবা মওংদা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা এয়রবেজদা এটেক চত্থরকখিবনি।

পাকিষ্টানদা লৈহৌবা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অসিগী লুচিংবশিংনা এটেক অদুগী মতাংদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ানা থৌদোক অদুগী মতাংদা কয়ারক হন্না পাকিষ্টানগা ৱারী শানদুনা চেন্নবা মীওই পুম্নমক ফানবা খঙহনবা লৈখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতুং তারকপদা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ঙমখৈগী শরুক পুম্নমক মশক খঙদোকপগা লোয়ননা পাকিষ্টানগা লোন্নবা গুরদাস্পুর সেক্টরগী মফম অমদা কিলোমিটর ৩০ শাংনা শম্বল খাগৎনবা থৌরাং লৌখৎলে।

পথানকোট এটেক্কী মতাংদা মরুওইবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট ফংলে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ) ফিলিপ কেম্পোজনা লুচিংবা কম্মিটি অমনা হীরম অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা মার্চ ৩১ গী মমাঙদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লগনি।

# পি দি পিনা জুদিসল ইনক্বাইরি চত্থনবা তকশিনখ্রে

জম্মু, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী শম্বা দিষ্ট্রিক্টতা এন্টি এনক্রোচমেন্ট দ্রাইব চত্থবদা গুজ্জর ফুরুপকী মীওই অমা শিখিবগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বাইরি চত্থগদবনি হায়না পিপল'স দেমোক্রেটিক পার্টি (পি দি পি)না দিমান্দ তৌখ্রে।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরসু ওইরম্বা পি দি পিগী সিনিয়র লীদর নাইম অখটারনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীচম অমা হাৎখিবগী থৌওং অদু লাইবক থীবনি। খুদক্তা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা জুদিসল ইনক্বাইরি চত্থদুনা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্নবা হোৎনগদবনি।

পনবা য়াবদি, শম্বা দিষ্ট্রিক্টকী সারোরে এরিয়াদা জম্মু দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (জে দি এ)না ঙরাং এন্টি এনক্রোচমেন্ট দ্রাইব চত্থবদা গুজ্জর ফুরুপকী মীওইশিংগা খুৎ থোক্নরকপদগী মীওই অমা শিখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পি দি পিগী লুচিংবা নাইম অখটারনা হায়খি, পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদসু এনক্রোচমেন্ট দ্রাইব কয়ামরুম চত্থখি অদুবু মীশি-মীনা থোকখিদে। ষ্টেট অসিদা মপুং ফাবা গভর্ণমেন্ট অমা লৈত্রিঙৈগী চৈরক্তা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসল ইনক্বাইরি চত্থদুনা মীচম হাৎখিবগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি।

অখটারনা হায়খি, লৈঙাক থৌদাং লৌরিবা গভর্নরনা ষ্টেট অসিগী ফুরুপ অমত্তবু হন্থনা য়েংবা লৈতে হায়বা উৎনবগীদমক মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা গভর্নরনা জুদিসল ইনক্বাইরি চত্থদুনা থৌদোক অদুগী লংলা-লংজিন পুথোক্লবদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ইন্দিয়ন দেমোক্রেসিদা হেন্না থাজবা থম্লক্কনি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, অরানবা মওংদা লম খোপচিল্লকপা মীওইশিং তকথোকপদা অকায়বা লৈতে। অদুবু লম খোপচিল্লকপগীদমক মীচম অমবু হাৎখিবগী থৌওং অদুদি য়ানিংদে।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী ইমুংদা মতিক চাবা কমপেন্সেসন পীবগা লোয়ননা ইমুংগী মীওই অমদা গভর্ণমেন্টকী থবক পীগদবনি হায়না পল্লদুনা পি দি পিগী লুচিংবা অসিনা হায়খি, গভর্ণমেন্টনা এন্টি এনক্রোচমেন্ট দ্রাইব চত্থবদা ময়ুম-মকৈ শীদোকপীখ্রবা মীওইশিংবু খুন্দা লৈতাহন্নবা থৌরাং অমা খুদক্তা লৌখৎকদবনি।

ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ইঞ্জিনিয়র রসিদতা এটেক চত্থখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, এটেক চত্থবগী থৌদোক খুদিংমক পার্টি অসিনা কন্দেম তৌই। পনবা য়াবদি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ইঞ্জিনিয়র রসিদনা জম্মুগী সিভিল সেক্রেটেরিএট মমাঙদা খোঙজং চঙশিন্দুনা শম্বা দিষ্ট্রিক্টতা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎখিবা থৌরাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

# কহ্নাইয়া, পাউমী ফূখিবা উকিল ফারে

ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৪ ঃ

জে এন য়ুগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা পটিয়ালা হায় কোর্ট মপান্দা পাউমীশিং ফূখিবা বিক্রম চৌহান কৌবা উকিল অমা দিল্লি পুলিসনা ঙসি ফাখ্রে।

উকিল অসিনা জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমারসু ফূখি হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ইন্দিয়া টুদেনা ফোঙদোকখিবদা চৌহাননা পটিয়ালা হাউস কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাউমীশিং ফূখিবগা লোয়ননা জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমারসু ফূখি হায়রি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা বিক্রম চৌহাননা হায়খি মদুদি, মিদিয়ানা মহাকপু ফত্তবা মী অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরে। হীরম অসিগী মতাংদা শীরক্লিবা মরাল পুম্নমক কোর্টকী খুত্থাংদা মায়োক্লরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদা জে এন য়ুগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা কোর্টতা ওজা, মহৈরোয় অমদি পাউমীশিং ফূখিবা য়াস্পাল সিংহ কৌবা অতোপ্পা উকিল অমসু পুলিসনা ফারগা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেল পীখ্রবনি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর কে এন ত্রিপাটিনা হায়খ্রে মদুদি, অৱাংবা থাক্কী মহৈলোইশঙশিংদা পোলিটিক্সকী মকোন ওইরকপা অসি লাইবক থীবনি। য়ুনিভর্সিটিগুম্বা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ফম লোইশঙশিংদা ওজা অমদি মহৈরোয়-শিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা মথৌ তাই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেমিনার অমদা ৱা ঙাঙখিবদা গভর্নর ত্রিপাটিনা হায়খি, লৈবাক মাঙনিংঙাই ওইবা মওংদা পোলিটিক্স তৌবগী থৌওং অসি মতম চানা থিংহৌবা মথৌ তাই। হন্দক মরক মহৈলোইশঙ খরদা পোলিটিকেলগী ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্তুনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবগী থৌওং অদু লৈবাক অসিগী ওইনা লাইবক থীবনি।

ফ্রীদম ওফ স্পিছকী মিংদা কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈবাক্কী মায়োক্তা স্লোগান লাউরকপা তারবদি মীওই অদু লোগী মতুংইন্না মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়নসু গভর্নরনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ত্রিপাটিনা চান্সেলর ওইরিবা যাদবপুর য়ুনিভর্সিটি য়াওনা বেঙ্গলগী য়ুনিভর্সিটি কয়াদসু মহৈরোয়শিংনা হন্দক জে এন য়ু ষ্টুদেন্ট'স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কহ্নাইয়া কুমার ফাখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপা লৈখ্রবনি।


## OFFICE OF THE ALUMNI ASSOCIATION STANDARD COLLEGE, KONGBA

**N O T I C E**

The 25th Feb., 2016

**No. SC/ALS/II/16:** It is hereby informed to all the former students of the Standard College that a meeting of the Alumni Association will be held on Sunday, the 28th February, 2016 at 11:00 a.m. So, all the former students of the college are requested to present the meeting in time to discuss the development of the college.

**Sd/- A. Nadakumar Singh**
**Convenor, Alumni Association, Standard College**

HL-P/7665/25

## /JOB NEWS

Regd. No. 2808 of 2013 (Govt. of Manipur)

1. **REQUIRED DIFFERENT AIRLINE STAFF FOR NEW DOMESTIC AIRLINES**
   Air Ticketing, Ground Staff, Air Hostess, Flight Steward, Cargo Driver, Loader
   Qualification : VIII, X, XII, Graduate Salary : 10,000/- - 40,000/-
2. **REQUIRED PRIVATE OFFICE**
   Reception, Accountant, Collector, R.O., ANM, GNM, B.Sc. Nursing, Security, Ex-Serviceman Security, Driver
   Qualification : VIII, X, XII, Graduate Salary : 5,000/- - 15,000/-
3. **REQUIRED TECHNICAL DEPARTMENT AND TELE CALLER**
   Qualification : VIII to Graduate Salary : 5,000/- - 10,000/- + Incentive
4. **REQUIRED FOR BANKING**
   Data Entry, Account Opening, Sales Manager
   Qualification : XII to Graduate Salary : 10,000/- - 15,000/-
5. **REQUIRED FOR MERCHANT NAVY**
   Qualification : X to XII Salary :50,000/- - 80,000/-

Date of form submission: 29/02/2016
Date of Intrview: 01/03/2016

Contact No.:
1. 8258993369
2. 9089814751

**JOB HELPLINE AND COUNSELLING**
WAHENGBAM LEIKAI
NEAR IMPHAL LP GAS LEIRAK MACHIN

HL-B/2892/15,17,19,21,23,24,25,26,27,29 Feb.

## PRE-PRIMARY TEACHERS' TRAINING CENTRE (PPTTC)

Six Months Certificate in Pre-Primary Teaching Course with job facilities to work as Human Engineers, Professionals and Entrepreneurs at different schools and allied sectors.

**Eligibility : XII Passed and above.**

**Sd/- Principal, PPTTC**
Kalyan Bhavan, Near Police Out Post, Kwakeithel.

HL-P/7656/25,27,29 Feb.


GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF COMMERCE & INDUSTRIES

----------

N O T I C E

Imphal, the 22nd February, 2016

No. HL-286/C&I/2015: In pursuance of the decision of the Programme Committee in its meeting held on 19-02-2016, interested Weavers, Artisans, Entrepreneurs, Small & Medium Enterprises, society, NGOs, Association, service provider, hotel and individual are invited for Online Registration to participate in the First "Manipur Industrial Expo, 2016" from 4th April to 10th April, 2016 at Lamboikhongnangkhong, Imphal under the theme of "Make in Manipur Campaign" in this 2016 edition. Details are shown hereunder:

| Sr. | Category of stall | No. of stall |
|---|---|---|
| 1 | Handloom products | 100 |
| 2 | Handicrafts products | 100 |
| 3 | Small & Medium Enterprises products | 80 |
| 4 | Packaged Food Products | 30 |
| 5 | Food Court for various industrial food items | 95 |
| 6 | Promotional Programme, like, Social Programme, Automobile, Army, etc | 15 |
| 7 | Service provider, like, healthcare, IT, Tourism, Tour Operators, etc | 100 |
| 8 | Industrial tools, appliances, equipment and mechanized machines | 80 |
| 9 | Cocoon Mela of Sericulture Department | 50 |

2.0: The participation fee for Food Court is Rs.5000/-, Rs.1000/- for Exhibitors and Rs.10,000/- for sponsored stall (NSIC, APEDA, Govt. Deptt./Agency) and Rs.1.00 lakh for Promotional Stalls (Auto Expo, Private Health Care service providers, Govt. Deptt/ Agency). Fee will be accepted in A/C of the ECOM at SBI, Imphal Secretariat, A/C No. 35315308011 of SBI, IFSC Code No. SBIN0004562 and MICR code 795002003. Entry is free.

3.0: Applications shall be accepted both in hard copy and online registration. The hard copies shall be received and register online by the respective district offices. Selection of online registered applicants will be conducted in case the applicants exceed the stalls to be allotted.

4.0: Last date for submission of online application is 19-3-2016. Please visit www.dcimanipir.gov.in for Online Registration. Bank deposit slip/challan should be submitted within 19-3-2016 to the Directorate HQ.

No.2/33/2015-DIPR (V-II)

Sd/- **B. John Tlangtinkhuma,**
Director of Commerce & Industries, Manipur

HL-B/2980/25

GOVERNMENT OF MANIPUR
STATE ACADEMY OF TRAINING
Takyelpat
*(Telefax: 0385-2441541; E-mail: sat.manipur@gov.in)*

----

**N O T I F I C A T I O N**

Imphal, the 20th February, 2016

**No. 8/246/2016-SAT:** It is hereby notified to all concerned that the **6- months State Accounts Training** (79th *Batch*) is scheduled to commence from the 1st Week of April, 2016 at the State Academy of Training, Takyelpat. Any **Group C** employee who fulfills the eligibility criteria (*detailed below*) wishing to participate in the said Training should get himself/herself nominated by the concerned Head of Office in the prescribed Nomination Form and the nomination should reach the Academy on or before the **5th March, 2016 (Saturday)** positively.

**Eligibility Criteria:**

i. **Qualifying Service**: **3** (three) years for Graduates, and **5**(five) years for Under-graduates. Relaxation will be given to those Graduate LDCs of Deptt./Offices established during the last two calendar years as per rules.

ii. **Additional qualification reqd**.: Should have passed the Office Procedure Examination conducted by the State Academy.

iii. **Special condition**: Female candidates whose maternity leave is likely to fall during the training period need not apply as their candidature will be rejected as per existing Scheme of the Training notified by the Govt.

2. Training materials will be provided free of cost to all the trainees as usual.

3. Further details such as prescribed format of Nomination Form, Syllabus, Time table, Scheme of the Training etc., may be downloaded from the official website of SAT: *www.satmanipur.nic.in*

**Sd/- W. Chandra Kumar**
Additional Director

HL-B/2979/25&26 Feb.


/লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্ন ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং ভসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কচ্ছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কচ্ছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/2927/29/01-28/02